HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



তোকপচীংগী খুমন পোকপা লাইশঙদা খুল অসিগী বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভকী এগজামিনেসনদা চাদা ৬০দগী তাদনা ফংলকখিবা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পুক্রিং থৌগৎখিবা

মপোক থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লাইরিকশিং ফোঙখ্রে
লামায় ২

ভি দি এফকী তোলোপসিবু কমদৌসেবা!
লামায় ৪

থা অমা চুপ্পা চথরকখিবা ৱার্কশোপ কম ক্রিএটিব প্রদক্সনগী থৌরম...
লামায় ৫

এদমিসন প্রোসেস লোইশিন্দুনা ক্লাস অথুবদা হৌগদবনি : এস এস য়ু এম
লামায় ৬

য়াইস্কুল জন্মস্থানগী কম্যুনিতি হোলদা নট সঙ্গিৎ একাদেমি এন্দ রিসর্স সেন্টরনা থা অমা চথরকপা লাষ্ট পার্ট ওফ নরোত্তম থাকুরস লালসা পর্থনাগী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 46, Issue No. 121 | লৈবাকপোকপা, ইঙেনগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, July 26, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## দ্রৌপদি মুরমু লৈবাকসিগী ১৫শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী ১৪শুবা প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা রামনাথ কোভিন্দগী চহী ৫গী টর্ম ঙরাং লোইশিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখল থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখ্রবা মতুং মীখল অসিদা প্রসিদেন্সিএল পোলগী ইলেক্টোরেল কোলেজগী মশীং য়াম্লবা মেম্বরশিংনা ভোট পীবদগী ওপোজিসনগী মীরেপ য়সৱন্ত সিনহাবু মায়থীবা পীরম্লগা মায় পাক্লকখিবী মশাগী চহী ৬৪ শুরক্লবী দ্রৌপদি মুরমুবু ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা সেন্ত্রেল হোলদা লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা খ্বাইদগী ৱাংলবা ফম অসি পায়নবগী ৱাশক লৌহনখ্রে।

অয়ূক পুং ১০.১৫ তারকপদা চপ চানা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### ১২ শুবা এসেমব্লিগী ২শুবা মীফম হৌখ্রে

## হাওসনা য়েংখোম থম্বাল, মরাংচীং ১দি ফেরজোলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নখ্রে

### বি জে পিগী এম এল এ ১ মীফম হৌবা নুমিৎতগীনা লোইবা ফাওবা হাওসতগী ছুটি লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতনা চ্যেরমেন ওইবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিনা মাঙজৌননা লেপখিবা বিজিনেসশিংগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী স্পিকরনা প্রিসাইদ তৌদুনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ২শুবা মীফম হৌদোকখ্রে।

অনীশুবা মীফম হৌদোকপগী অহানবা বিজিনেসতা হাওসপু প্রিসাইদ তৌখিবা স্পিকরনা মুভ তৌরকপা রিজোল্যুসনগী মতুংইন্না হাওস অসিগী মেম্বর ওইরম্বা ৩৭-ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা কারকখিবা য়েংখোম থম্বাল লৈখিদবা অমসুং মমাঙ থাগী ২৯ অমসুং ৩০গী লোন্নবা অহিংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মরাংচীং পার্ট ৫কী মখুআম এরিয়াদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা মীওই ৭৯ শোকহনখিবগী মনুংদা ১৮না হিংনা কলহৌরগা মীওই ৬১ লৈখিদবা অমসুং থা অসিগী ৭তা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইদুনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদা লৈখিদবা মীওই ২গীদমক হাওসনা ওবিচ্যুরি



রিফরেন্স ইহান হান্না লৌখৎতুনা পাঙথোকখি।

ওবিচ্যুরি রিফরেন্স অসিদা কোংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, ককচীং এ সীগী এম এল এ, এম রামেশ্বর, হাওসকী লিদর ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মহুৎ শিনখিবা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণনচিংবনা শরুক য়াদুনা হাওসকী মেম্বর ওইরম্বা ৱাই থম্বাল, মরাংচীংগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং অমসুং ফেরজোলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ২ অমসুং অশোক অপন মায়োক্লহৌরবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হিংহৌরবা মীওইশিংসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়খি।

রিফরেন্স অসিদা শরুক য়াখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HUEIYEN LANPAO / মরোল থোকপা লাই




## মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ ১সুং নাগালেন্দগী দিলিমিটেসন পাঙথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

### সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট ৪ অসিগী দিলিমিটেসন তৌরোইদবগী মরম পীরক্লবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মরু ওইবা ষ্টেটশিং ওইরিবা মণিপুর য়াওনা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দগী পাঙথোকফম থোক্লিবা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা পীফম থোকপা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলক্লে।

লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টতা ৱাকৎলকখিবা অদুবু কোর্ট অসিগী জষ্টিস কে এম জোসেফ অমসুং রিসিকেস রোয় অনীগী বেঞ্চনা ঙসি লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা ৱাকৎ অসিগী পন্থুং ফংনবগীদমক থবক পাঙথোকফম থোক্লিবা রেসপোন্দেন্টশিংদা ষ্টেট মরি অসিদা দিলিমিটেসনগী থবক পাঙথোক্লোইদবগী মরম পীরক্লবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

এদভোকেট গাইচাংপৌ গাংমৈনা দ্রাফ্ট তৌবা পিটিসন অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা রিপ্রজেন্টেস ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫০গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দদা দিলিমিটেসন পাঙথোকহনগদবনি হায়বসিনি।

মেট্টর অসি ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস অনীনা লৌখৎলক্তুনা খন্নবগা লোয়ননা পাঙথোকহনবীয়ু হায়রিবা দিলিমিটেসনগী থবক অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিস অমসুং চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরদগী মখোয়গী ওইবা পাউখুমশিং ঙাইবগা লোয়ননা ৱাকৎ অসিবু ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নরশিংদা দিলিমিটেসন পাঙথোক্কদবনি হায়রিবা ষ্টেট ৪গী ষ্টেন্দিং কাউন্সেলশিংদসু সুপ্রিম কোর্টনা ইস্যু তৌরিবা নোটিসশিং পীবগী অয়াবা পীখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### ভেটিরিনরি লোয়শঙগী সেক্রেটেরিদা তৌরকপা কেস

## ৱাঙ্গোই পুলিসতা 'ষ্টেটস ক্বো' গী ওর্দর থবক্তা ওন্থোক্লবা কোর্টনা অমুক্কসু খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল-ময়াংইম্ফাল লম্বীগী হেক তাইনবা মমাঙ থংবা শরুক্তা ৱাঙ্গোই কৈথেলগী অৱাংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পাট্টা নম্বরশিংগী সেদ্যুল লেন্দ ৪দা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙনা অতোপ্পা দিফেন্দেন্ট ১৪গা লোয়ননা অরানবা মওংদা মখোয়গী রাইট য়াওদনা অপাম্বা থবক থৌরমশিং চথরক্তুনা চেকপলনচিংবা খাজিল্লকপা থৌওংদগী সিভিল জজ (জুনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্ট টুগী কোর্টতা সরুংবম ওংবী মেধা অমসুং অতোপ্পা প্লেন্টিফ ৬না ফাইল তৌরকখিবা ওরিজিনেল স্যুইট নম্বর ৪৭ ওফ ২০২১গা মরী লৈননা প্লেন্টিফশিংনা ফাইল তৌরকখিবা জুদিসল মিসেলিনস কেস অমগা মরী লৈননা ওক্টোবর ২১, ২০২১দা কোর্টকী মায়কৈদগী ৱাঙ্গোই পি এসকী ও সীদা মফম অসি 'ষ্টেটস ক্বো' দা থম্নবা খঙহনখ্রবা ফাওবদা কোর্টকী দিরেক্সনগী ৱাংমদা মখা তাবা কন্সট্রক্সনগী মেটরিএলশিং পৈশিল্লকপদগী অমুক হন্না ৱাঙ্গোই পি এসকী ও সীদা কোর্টনা মমাঙদা পীখিবা ওর্দর অসিমক থবক্তা ওন্থোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ওর্দর অসি ঙসি সিভিল জজ জুনিয়র দিভিজন, ইম্ফাল ৱেষ্ট টু রোবর্ট লুংদিমনা পীখিবনি। সরুংবম ওংবী মেধা য়াওনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## দিঙ্কু রোদতা লৈবা লেবর দিপার্টমেন্টকী নাইট শেল্টরগী লম মচেৎ মচেৎ য়োন্থোক্লব্রা

### দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নরদা হংলুবদা করিমত্তা ফোঙদোরকউ য়াদ্রে, কম্মিস্নরনা উন্নসি হায়বা য়ারক্রে

জয়চান্দ লুৱাং

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী শিন্মীশিংনা থবক-ইনখাং শুরুরগা ময়ূমদা হনবগী খুদোংচারক্তবা মতমদা অহিং য়ারেকফম ওইনবগীদমক লেবর দিপার্টমেন্টনা থৌওইনা লম লৈরগা শাগৎখিবা নাইট শেল্টরগী লমশিংগী মনুংদা মচেৎ মচেৎ লন্নাই মীওই অমনা নারোলদা য়োন্থোকখ্রবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে।

মসিগী মতাংদা পাউ চে অসিনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা কুমজা ২০১০ গী অঙনবা শরুক্তা লেবর দিপার্টমেন্টনা




লেবর দিপার্টমেন্টকী নাইট শেল্টর

শিন্মীশিংগী নাইট শেল্টর অমা শানবগীদমক হৌজিক খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসকা মায়োক্লনা লৈবা মিসাও গ্যাস এজেন্সিগা পংলাপ লাপ্লদবা মফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অ ঈং-অশাগী পাউ

| | |
|---|---|
| খ্বাইদগী শাবা | ৩১.৯৫°C |
| খ্বাইদগী ঈংবা | ১৬.৪৭°C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২৩.০১
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Highway yaona lambi singda athingba khongjang sing changsillakpada leingakna tumminna leisinba chumbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meeyamna mayoknariba awa-anasing meeyamgi meehutsingna puthoktuna khannabibana achumba thousil oiroidra?

Yes 92% No 08%

## দ্রগ ললোনবশিংদা শিবগী চৈরাক পীবা য়াবা অকনবা লো অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে : কে রঞ্জিৎ



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা হৌজিক-হৌজিক খ্বাইদগী চাওবা ইস্যু অসি দ্রগকী ইস্যু অসিনি। এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী ২.০গী লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগকী থবক পায়খৎলে হায়রবসু ঙসি ফাওবদা দ্রগ ললোনবদা চেন্নরিবা কিংপিনশিং ফাদুনা চৈরাক পীবা অমত্তা লৈত্রি। মসিনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা মীরোলশিং অসি তুম্না মাঙখিবা য়ানা লৈরে। মসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা দ্রগ ললোনশিংদা শিবগী চৈরাক পীবা য়াবা অকনবা লো অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। অদুবু লাইবক থীবদি গভর্ণরগী এদ্রেসতা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পন্দে হায়না সুগুনু এ সীগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎনা হাওসতা চৎলিবা শেনবা চহী ২০২২-২৩গী বডজেট এষ্টিমেটস পুথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা সেসনদা চীফ মিনিষ্টর ফাইনান্স ইনচার্জ অমদি হাউস ওফ লিদর এন বিরেনগী মহুৎ শিল্লদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা চহী ২০২২-২৩গী বডজেটকী এষ্টিমেট পুথোক্লদুনা হায়খি চহী ২০২২-২৩গী অপুনবা রিসিট অসি লুপা কোটি ৩৩,৭০০ ওইগনি হায়না পারি। রেভিন্যু রিসিটশিং অসিনা লুপা কোটি ২৪,৪৪৭ অমদি কেপিটেল রিসিটশিং অসিনা লুপা কোটি ৯,২৫২ ওইগনি অমদি ষ্টেটকী মশাগী টেক্স অমদি নন-টেক্স রিসিটশিং অসিনা মথংশিংনা লুপা কোটি ২,৪০০ অমসুং লুপা কোটি ৪০০ ওইগনি হায়না পারি হায়না ফোঙদোকখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কোংগ্রেসকী এম এল এ মেঘচন্দ্রনা বি এ সীগী রুল শেমদোকহন্নীংবগী অপাম্বা হাওসতা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ঙসি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হাওস অসিগী রুল ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী রুল ২৬৬ (১) গী বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিদা স্পিকরনা নোমিনেট তৌগদবা বি এ সীদা স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর য়াওরগা মেম্বর ৯দগী হেল্লোইদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবসি হৌজিক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওইনা দেপ্যুটি স্পিকর লৈতবনা হাওসনা শেমদোক শাদোকহৌবনা অচুম্বা হাওসকী প্রোসিদিং ওইগনি হায়বগী সজেসন থমখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এগী ৱাফম অসি তারবা মতুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## পোজিটিভ কেস ১সুং পোজিটিভিটিগী চাং হন্থরক্লবসু নুপী ১ লৈখিদ্রে, নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা লৈখিদবা ৬ শুরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ঙরাংগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টতা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯০ থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ১৩.৯ য়ৌখিবদু ঙসিগী ওইনদি পোজিটিভ কেসকী মশীং ৭৩ খক্তমক থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ১১.৬তা হন্থরক্লবসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবী নুপী ১ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি। মহাক লৈখিদবা থারগা চৎলিবা থা অসিগী হৌগৎলকপদগী কোভিদ-১৯গী ৪শুবা ৱেভ মায়োক্নরকপা হৌরকপদগী লৈখিদবা অপূনবা মীওই ৬ শুরে। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগী থৌদোক থা অসিগী ১৫দগী হৌরকখিবনি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৩ (নুপা ২৯, নুপী ৪৪) অদু রিমসতা ৮, জেনিমস ৬ থেংনরগা অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ৫৯ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ২৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৭, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ৩, ককচীং ২, কাংপোকপী ২, কামজোং ১, তমেংলোং ১, চুড়াচান্দপুর ১ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অনীনি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা নুপী অমসু লৈখিদবনা লৈখিদবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ২,১২৬ শুরে।

অমরোমদা ঙসিগী ওইনা মীওই ১০৭ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা ৯৬, রিমস ৩, জেনিমস ৭ অমসুং শিজ হোস্পিটালদগী মীওই ১ য়াওরি হায়রি।

অদুবু নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস ৭৩ হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৮,৬৩১ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩৩,৬১৫নি অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৬নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,৯০০নি। মখোয়গী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,৮৯৩নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি হায়বগা লোয়ননা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৬০৫ শুরে। কেসশিং অসিগী মনুংদা মীচম মীয়াম ৬০৩ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২ য়াওরি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### শেলগী দিমান্দ তৌরম্বা ২ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২২দগী হৌরদুনা চুড়াচান্দপুরগী লাইলম ভেঙ অমসুং ন্যুতে বজারগী নন মণিপুরীশিংগী দুকান ৫দা এন আর এফ এমগী মিংদা শেল দিমান্দ তৌবা হৌরক্তুনা ঙসি নুংথিলসু মীওইশিং অদু শেল লৌবা লাক্লে হায়বা পাউদগী চুড়াচান্দপুর পুলিসনা সুও মোটুদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থি হুম্বগী থবক চথবদা পাউলালমোন সিংসোন (২৪) অমসুং লেথাং হাওকিপ (৪৫) কৌবা মীওই ২ ফাগৎলে হায়রি।

মখোয় অনী হৌজিক্কা লৈত্রবা নন-সু গ্রুপ অমা ওইরিবা কে এন এ (আই) গী মীওইশিং ওইরম্বদা নত্তনা মখোয়না শেল দিমান্দ তৌবদা এন আর এফ এমগী মিং শীজিন্নবনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়রি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লিশীং ১ অমসুং মোবাইল ফোনশিং রিকোভর তৌরে হায়রি। ফারবা মখোয় অনীমক হয়েং মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগনি হায়রি।

## আর পি এফনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জুলাই ২৫: কুমজা ২০১০গী জুন ৪দা পার্টিনা ওনরেরি দিসচার্জ পীখ্রবা আর্মি নম্বর ০৯৯৭ শোংগম (কাকা) এলিয়জ লোকচিংৱাঙ অশেংবা মিং লোইতোংবম বিরধজ, অপোকপা অমদি অপোকপী মিংনা লোইতোংবম খরাজাও মৈতৈ অমসুং লোইতোংবম ওংবী মৈপাকপী, ৱাঙু অহল্লুপ অৱাং লৈকায় লৈবনা জুলাই ২৩, ২০২২দা মশাগী চহী ৭৬ শুরকপদা অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। মরৈবাক্কীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌজরম্বা অহল ইবুংঙো অসিনা লৈখিদবা অসিদা মাগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটেরি, পব্লিসিটি বঙ্কিমগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা হায়, শোংগম (কাকা) এলিয়জ লোকচিংৱাঙ কুমজা ১৯৯৩দা পার্টি অসিদা য়াওরকখি। মশাগী চহী ৫০ শুবা মতম কুমজা ১৯৯৬কী এপ্রিল ১৫দা পি এল এগী বেসিক মিলিটরি ট্রেনিংদা মায় পাক্তুনা ৱার ওফিসনা আর্মি নম্বর ০৯৯৭ পীখি। লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো শোংগম (কাকা) এলিয়জ লোকচিংৱাঙনা পার্টি অসিদা য়াওরকপা মতমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### অস! লোইরেহে!

- চাক লোইরমাল্লে, খিৎতং য়োৎলুবা চুমগদ্রা ঐবো?



- নচানুপাখোয় য়োৎপা চৎখ্রি থেঙ্গাইনরুনি।